# ꯔাখল তাবা য়াম্না ꯔাৎলি ঐখোয়

## - ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন কুইরক্তবগা লোয়ননা মনিল ফোংবা হৌরক্লে। চহী মঙা-মঙাগী মনুংদা অমুরক পাঙথোক্তুনা মাগী মাগী কন্সটিট্যুএন্সিশিং অসিগী মহুৎ শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি মহুৎ শিন্দুনা মীহুৎ থাদোরক্লবা শেম শাবা হৌনরক্লনি। চহী মঙা মঙাগী পাঙথোকপা অচৌবা কুম্মৈ অমনি। করম্বা কুম্মৈ - শেল য়েনবগী, শেল লৌবগী, চাকচা হৈজানবগী, শানৈ য়ুনৈবগী, লাংবগী অমদি ফূনবনচিংবগী। ইলেক্সন, মীখল পাঙথোকপগী অশেংবা ꯔাহন্থোক্তুদি মীয়াম অয়াম্বনা লোইনা কাউনখ্রনি শেলগী মতিক ময়াইদা, শানৈ য়ুনৈবগী মতিক ময়াইদা। মীখলগী মতমসিদা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা করম্বা মীহুৎপু মীয়াম্না খন্দুনা খুন্নাই অসিগী, লমদম অসিগী অফবা থবক তৌরক্কনি খন্দুনা অফবা, অচুম্বা, মরমদম্মু তশেংনা নুংশিজবা, মথৌ তৌগদবা মীহুৎশিং খনবদুগী ꯔাফমদি আ কাচিন্দা কাউথোক্তুনা থমখ্রনি।

খুন্নাই অমবু মাঙদা পুশিন্দুনা চাওখৎহনবা হায়বসি খুন্নাই অদুগী মপি মপা ওইরিবা, লৈঙাক্কী চুপ্লি পায়রিবা মীওইশিং অদুগী মখূত্তা য়াম্না লৈ। মসি ঐখোয়না ইরায় লায়না উবা ঙম্লবা ꯔাফমনি। ঙসি মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাক কয়াদা য়েংলুবা মতমদা লৈবাক অদুগী মপি মপা খনবগী মীখলদা দেমোক্রেসিগী ওইবা চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা মীখল পাঙথোকই অমদি মীয়াম্না পামজবা লুচিংবশিং খনবা ঙমহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাকশিং অসিদা লুচিংবা ওইরিবা পোলিটিসিয়নশিং, লুচিংবশিং অদু অয়াম্বনা লাইরিক লাইশু হৈ, থন্মোয় শেংনা মথৌ তৌই অমদি মথন্মোয়দা মরমদম্মু তশেংনা নুংশিবগী মমি তাই।

অদুগা নাকল অমরোমদনা চাওখৎপা ꯔাৎলিবা লৈবাকশিং হায়বদি অফ্রিকাগী লৈবাক অয়াম্বা, অফঘানিস্থান, পাকিস্থান, ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং, লেটিন অমেরিকাগী লৈবাকশিং অসিদা য়েংলুরগনা লৈবাক অদুগী মপি মপা ওইরিবা লুচিংবশিং অয়াম্বনা লাইরিক লাইশু হৈবা ꯔাৎলি, ꯔাখল তাবা ꯔাৎলি, অচাওরম অমদি নাপল কাই, অতোপ্পা লৈত-লায়র কয়াবু নমথদুনা থম্বী, মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীবা ঙমদে, মখোয়গী হিংবগী রাইট মৎপী। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা মীয়াম্না পামজবা মখোয় মখোয়গী লুচিংবা খনবা ঙমজদে নৎত্রগা মীয়াম্বু নমথাক তৌবীদুনা, শেল খরগী লাংদা থুহন্দুনা পুবিবনা অশেংবা মরমদম্মু তশেংনা নুংশিজবা অফবা লুচিংবশিং খনবা ঙমহন্দে।

হায়রিবা অসিগুম্বা মীয়াম্না পামজবা লুচিংবশিং খঙ্বা ঙমদবগী ফীভম অসিমক মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎলি হায়না চাওথোকচরিবা ইন্দিয়াদসু থোক্লিবনি। ইন্দিয়াদা তৌরিবা ইলেক্সন সিষ্টমসিদি মমিংতগীনি হায়না লৌবা য়াই ষ্টেট খরা নত্তনা। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বনা শেলনা, নমথাক তৌদুনা নৎত্রগা কিহন্দুনা মীহুৎ খনগৎপা ঙাক্তনি। মরু ওইনা অসিগুম্বা অনদেমোক্রেটিক ওইবা থৌওংসি লৈঙাক পায়রি পায়রিবা পার্টি অদুনা অয়াম্বা তৌগল্লি মখোয়না শেলসু, পꯔরসু পায়বনা। মসিমক ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদসু থোক্লিবা মীয়াম্না উবীরবা ঙাক্তনি। পূন্নমক অসি খঙনা খঙনা মসিগী মায়োক্তা অশেংবদু পুথোক্তুনা ꯔা ঙাঙলুবা য়াদে, ঙাঙলুরবদি শোয়দ্রে এন এস এ পানশিন্দুনা জেলদা থমজিনবা।

অসিগুম্বা চৎনবী অসি লৈবননি ঙসি ইন্দিয়ানা অমদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরনা মাঙদা চঙশিনবদা অসুমক্কী মতিক তপ্লিবা। অসিগুম্বা পামদবা পাম্বৈশিং অসি শীজিন্নদুনা মীখল পাঙথোক্তুনা লাকপনা মীয়াম্না পাম্নবা মীহুৎতি চাদা ৯০দি ভোট কাবা ঙমদে শেল পীদবনা অমদি মীয়াম্বু কিহন্দুনা নম্ফুদা ভোট থাদদনবা শিন্দবনা। অসুম্না চহী ৭০ হেন্না অফবা মীহুৎশিং অসিনা ভোটতা মায় পাকপা ঙমদনা লাকপনা ঙসিদি ইন্দিয়াসি লাইরিক লাইশু হৈতবশিংনা, রেপিষ্টশিংনা, হুরানবশিংনা, দ্রগ লল্লোনবশিংনা, থিকা তৌবশিংনা, অনেম অꯔাং খায়বশিংনা, মীহাৎ মীপূন তৌবশিংনা মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়দুনা সুম লাকপনা ইন্দিয়ানা চাওখৎপা ঙমদ্রিবা। অশেংবা, অফবা লুচিংবা লৈত্রদি কদাইদগী মাঙদা চঙশিনবা ঙমগনি, ঙম্লোই। অদুগা ইনক নক্লা য়ূমথংনরিবা চাইনানা মালেমদা খ্বাইদগী শেল পায়বা, ইনাক খুনবা, মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক অমা ওইখিগদৌরে, কুইররোই। চাইনানা মতৌ করম্না অসুক থুনা চাওখৎপা ঙল্লিবা, মালেমগী মীৎয়েংফম ওইরক্লিবনো হায়রগদি মখোয়গী লুচিংবশিংসে য়াম্না চেকশিন্না য়েংলগা খনগৎলি। শেঙ্গা থুমজাদা চেন্নবা লুচিংবা কয়াদি অচৌ অচৌবা চৈরাক পীদুনা জেলদা থম্মী, লৈঙাক পুবা য়াওহন্দে। অদুবু ইন্দিয়া অমদি ইরমদমদদি মসিগী ওন্ন-তৈনবনি। চাইনানা মতৌ করম্না অচৌবা অহোংবা পুরক্তুনা মাঙদা চঙশিনবা ঙল্লিবনো হায়বসিদা মায় ওনশিন্দুনা য়েংবগী মহুত্তা ইন্দিয়াদি চাইনাগী অশোয়বা থি লৈরে নোংচুপলোমগী (য়ু এস এ) গী মতুং ইন্দুনা। মসিনা হেন্না হেন্নদুম য়েংথীনবা ওইহল্লে চাইনা অমদি ইন্দিয়া।

ঙসি ফাওবদা সিঙ্গাপোর, হোং কোং, টাইꯔান, সাউথ কোরিয়া অমদি জপানগুম্বা নোংপোকলোমগী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিং অসিদা ঐহাক্লা সুম য়েংজবদা লৈবাকশিং অসিগী লুচিংবশিং অসিগী লাইরিক লাইশুগী লম্দায়েংশিল্লুবা মতমদা মহৈগী থাক লোইনা ꯔাংনৈ। অদুবু চাওখৎত্তবা লৈবাক কয়াগী মফমশিংদা লুচিংবা ওইরিবা মীওইশিংদি শেল য়াম্না পায়বা, মীহাৎ মীপূন ঙম্বা অদুগুম্বা লুচিংবনা অয়াম্বা ওই। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা লাইরিক লাইশু হৈবগী মথৌ তাদে, শেলবু পায়রবা মীহাৎ মীপূনবু ঙম্লবা। অসিগুম্বা লুচিংবা ময়াম অমা পুনশিন্দুনা শেম্বা লৈবাক অমনা মতৌ করম্না ঈং-তপ্না পানবা, চাওখৎপা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমগদৌরিবনো।

লোইশিল্লকপদা, অফবা খুন্নাই অমা শেমসি, পুরকসি হায়রবদি অফবা লুচিংবা মথৌ তাই। অফবা লুচিংবা খনসি হায়রবদি মীখলদা শেল লৌবা তোকপীরো অদুগা শেল পীবা ঙমজদবা, পীদবা অফবা কেন্দিদেটতা ভোট পীবিরো। অদুদি নত্তদুনা মীখলগী মতমদা হরাও হরাও শেল লৌরুবা অদুগা ভোট মতুংদনা হা অদু অদা হায়না ভোট কাদুনা লৈঙাক পুরিবা শাশিন্নবা লুচিংবশিং অসিগী মথক্তা লাউরুবনদি করিসু কান্নবা পুরক্লোই, হন্না য়েংলক্লোই। মসি ঐখোয় ঐখোয়না ওইহনবনি। অফবা লুচিংবা পাম্লবদি ঐখোয় ঐখোয়গী ঙাইহাক ঙাইহাক্কী শেলদা মীহৌদুনা কেন্দিদেটতগী শেল লৌবা, কেন্দিদেটনা মীয়ামদা শেল য়েনবদা মতেং পাংবা, কেন্দিদেটতগী শেল চাউনা চাউনা লৌদুনা চাকচা হৈজানবা, লৈকায়গী, ক্লবকী পোৎচৈ লৈহনবা পূন্নমক অসি তোক্লসি অহানবদা। অসিগুম্বা হৈনবী অসি তোকত্রিবমখৈ ঐখোয় অফবা লুচিংবা খনবা ঙম্লোই, হুরানবা হৈবা, করপসন হৈবা, লম্বী থোং নিংথিনা শেম্বীদবা থিকাদারশিং, দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা, শেল য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা কেন্দিদেট খনগৎপা নত্তনা। অসিগুম্বা কেন্দিদেটনা চেঙ্গুম শৌবগুম লৈবননি ঙসি ইন্দিয়ানা, মণিপুরনা মাঙদা চঙশিনবদা অসুক্কী মতিক তপ্লিবা। ●

# ওগষ্ট থানা লাকপদা - চাল্লাম খোঙচৎ

## - ডা. এম নরা -

- চহী খুদিং নীংশিংই কাউঙমদ্রবা থৌদোক্তু, লায়র কাঙলূপ্না ꯔাখিবা, লল্লোনবা কাঙবুনা নুংঙাইবা, লৈনদবা মতমনি, অরৈবা ফৌ লোইখিবা অনৌবসু লোকত্রিঙৈ, লাংবন থানা লাকপদা।

- চরাম্নরবা মীয়াম মচি মচিদা উংখৎনৈ, ইমুং মনুংদা কপ্পরি চেঙ-চাক ফংদবৈ, পোৎকী মমল তাঙখৎপৈ, লৈঙাক কৈদৌরি হংনরি, খোইশাওনবা হেনগৎলি, লাংবন থানা লাকপদা।

- পেন্দবা কোঙ্গাইনি, মায়োক্লবদি ঙমজদা, ওমচাক্লনা খাঙনরি, লাইবক্তসু তাইনরি, ঈশ্বর খুরুমদুনা হায়জরি, লাংবন থানা লাকপদা।

- মহৈরোয়শিং হৌরক্লে, মশীং লাকঙমদনা তিল্লরে, দাবী তানবা চঙশিল্লে, চেঙ তাঙবা থিংনবা চীফ কম্মিস্নর বঙ্গলোদা, 'পুনবৈ খোল্লাউনা নিল্লরে, "ঐখোয়গী দাবী পীগদবনি, চাক লাম্মৈ চেঙ পীয়ু"।

- নুমিৎতো কাউঙমদে ওগষ্ট থাগী ২৭, কুমজা ১৯৬৫, নুমিৎয়ুংবা মতুংনি চেঙগী মহুত্তা পীরকখি নোংমৈ গুলিগী পাউখুম, ঈখেং তাখিবা থৌদোক্তো চাল্লাম খোঙচৎ কৌনরি।

ꯔাহৈ খরদং অসিনা হৌদোকচরগা লৈখিদ্রবা, সহিদ ওইখ্রবা মরুপ মরিগী মফমদা ঐগী শ্রধাঞ্জলি কৎচরি।

কুমজা ১৯৬৫ অসি ঐহাক মেট্রিক পাস তৌরক্তুনা দি এম কোলেজদা প্রি য়ুনিভর্সিটি সাইন্স ক্লাসতা তম্বা মতমনি। অহানবা কোলেজ কারকপগী নুংঙাইবা অমসুং হৈনীংবা লোয়ননা ইম্ফালদা মদুসু দি এম কোলেজদা লাইরিক তম্বা ফংবগী মহাউ, ঐগী পুন্সিদা তোঙানবা চেপ্টর অমা ওইখি। থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দা ঐখোয়গী মাম্মা অমগী য়ুমদা লৈরকই, থাংজগী নুমিদাংꯔাইদা সাইকলনা য়ূমদা (তেম্থাদা) হল্লকই অদুগা নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা চারা ꯔাল্লগা পুং ১১গী ক্লাস য়াওবা নংনবা অমুক সাইকলদা লাকই। এন সী সীসু য়াওরকই অদুগা কোলেজগী এক্টিভিটি পূন্নমক য়াওনবা হোৎনরকখি।

নুমিৎ অদো, ওগষ্ট ২৭ ঐখোয়গী ইংলিসকী ক্লাস ওজা রঘুমনিনা তাক্লিবা তাঞ্জানি। অদুবু মহৈরোয়গী লুচিংবশিং ক্লাসতা চঙলক্তুনা ঐখোয়গী খোঙচৎ অমা রাজ ভবন ফাওবা চৎকনি হায়দুনা তাকপীরে। লোয়ননা চৎকন্দবগী মরম, স্লোগান্নচিংবা পূন্নমক ব্রিফিং তৌরে। ওজা রঘুমনিদি ইচাশা নখোয়গী প্রোগ্রাম অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনিনা ঙসিদি ক্লাস অসি চথররোই, মথংদা ওইনা তাল্লগে হায়রল্লগা চৎখ্রে।

মতম অসিদা ছুটি থাবগী কাংশি ওইনা কন্না য়ৈরকপদগী মহৈরোয় পূন্নমক লোইনা থোক্লক্তুনা লম্বীদা পরেং নাইনা লেপ্তুনা খোঙচৎ অদু হৌখি। মহৈরোয়গী লুচিংবশিংনা লাওরকপা স্লোগান্দা ময়াম্না খুম্বা অমদি মহৈরোয় লিশীং কয়ানা অচৌবা সরক য়ৌরকপদা পীরকপা ইꯔাই ইনিলনা চোকথবা অমত্তা ফাওহনখিদে, নুংশাগী মৈশানা ইশাদা অꯔাবা মৈচাক পীবা ঙমখিদে। ঐখোয়গী মহৈরোয়গী লুচিংবশিং অদুনা চোকথবা নাইদবমখৈ নুংশাগী মৈশালক্তুদা হুমাংনা চোৎলবা মায়থোঙ, কন্না লাউবগী শিথরবা খোঞ্জেল, অদুম ওইনমক লেপ্পা নাইদনা অদুম্মক লাউ খোংলিবা, হঙ্গৎ হন্দা মীয়ামদুগী মরক্তা চেন চোংদুনা থৌনাগা লোয়ননা ঐখোয়গী দাবী পীগদবনি 'চাক লাম্মৈ চেঙ পীয়ু' হায়বা ঐখোয় পূন্নমক্কী পূক্লিং চিংশিল্লিবা স্লোগান - ঙসিসু কাউঙমদনা লৈরি। নীংশিংখিগনি পুন্সি চুপ্পা। নুমিৎ অসিনা তাকখি - ঐগী পুন্সিগী লম্বী "Study and Struggle" "মহৈ তম্মু অমসুং মীয়ামগীদমক্তা থেংনবসু তম্মু"। ꯔাখল্লোন অসিবু পাক চাওনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদুনি ওগষ্ট ২৭না পীরিবা পাউজেল।

চাল্লাম খোঙচৎ - ওগষ্ট ২৭, মহৈরোয়শিংগী রেল্লি অমা ওগষ্ট ২৭তা চৎকনি, পিশুম চীংদা হৈকৎ লৈকৎ খরা তমগনি হায়বা অদুখক নত্তে নুমিৎসিগী মরু ওইবদি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা অওৎ অনৈ, শেঙ্গা থুমজা, অচান মীরাই নাইবা অমদি শুজ-নোমজরিবা লৌমী-শিন্মী কয়াগী ঈবু শেন্দোং ওইনা শৎতুনা লৌরিবা নিতিগী মায়োক্তা পুন্সিগী ওইনা থেংনগদবা লানবুং অমগীদমক শেম শাবা হৌখিবা তুংগী খুন্নাইগী লুচিংবা কয়া শেমগৎলকপগী মৈরা চুখিবা নুমিৎ অমনি হায়না লৌজে। চহী কয়াগী পুꯔারী অমুক্তা হঙ্গৎনা য়েংসি লৈবাক অসিগী। চহী খুদিংগী জুলাই, ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থা অহুম অসি মণিপুর মীয়াম্না খ্বাইদগী ꯔাবা মতমনি। য়েংবীয়ু পোৎ চৈ পূন্নমক্কী মমল খ্বাইদগী ꯔাংবা মতমনি, করবারꯔালাশিংনা শান্ননীংবা মওং অমসুং লৌনীংবা মমল লৌবা হায়রিবা মতম অসিদা চহী খুদিংগী থোক্লিবনি, লৈঙাক্লা মসিদা উশিন্নদে। মরমদি কান্নবা লৌমিন্নরি। হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা থাওগী মমল হৌখিবা এপ্রিল থাদগী ঙসি ফাওবদা ৩০ রক হেন্না মমল হেনগৎলকখ্রে, গ্যাসকী মমলসু লেপ্তুনা খরা খরা হেনগৎপদু হন্দক্তি পুল্লপ লুপা ২৫ সিলিন্দর অমদা হেনগৎহনখ্রে। য়াম্না নোক্লিংবা ꯔাফম অমদি থাওগী মমল (দিজল অমসুং পেট্রোলগী) লুপা ২/৩ খক্তং হন্থগদবদু নুমিৎ ১০ নি চঙগনি অদুগা মমল হেনগৎপদনা নুমিৎ খুদিংগী হেনগৎপদা কন্না অমত্তা তানদবা, তৌনীংবতা তৌবা শাজৎ অসি ঐখোয় খ্বাইনায়ানীংদবা থৌওং নৎত্রা? জুলাই অমসুং ওগষ্ট থা অনী অসিগী মনুংদা লৌ উবগী, হার চাইবগী অকক্লবা মতমসিদা হার ফংহন্দবগী অꯔাবা চহী খুদিংগী ওইনা লৌমীশিংনা কোক্তা খূৎ হাপ্তুনা কপ্তুনা খাঙবা হায়বদু য়ৌরিবনি। হৌজিকসু অদুম চথরি। চিন্দনা হার ꯔাৎহল্লোই, মরাং কায়না ফংহনগনি লাউরি অদুগা মীয়ামদি হার ফংদবনা কোয়চেন চেন্দুনা হার থিরি। লুপা ২৭৫দা ফংগদবা হার লুপা ১২০০দা লৈরি। করম্না সিষ্টম অসি অসুম চথহল্লিবনো? করিগী চেক তৌবা ঙমদ্রিবনো? করিগীদমক চহী খুদিংগী অসুম চৎনবী অমা ওইনা হুরান লোন্নাগী থবক লৈঙাক অসিনা উশিন্নদনা লৈরিবনো? কনানা য়েংশিনফম থোকই? পূন্নমক অসিগী পাউখুম লৈতবা নত্তে। চুমথোকপসু য়াগনি, তৌইগুম্বসুং চুমথোক্লিংদবগী ꯔানি। ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙই মদুদি এদ্যুকেসন হায়বসি খুন্নাইগী য়াংলেন শরুনি অদুবু করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে অমুক্তা কূপ্পা য়েংমিন্নসি। করম্না লৈঙাক্কী স্কুলশিং চলাইরি অদুগা প্রাইভেট স্কুলশিংনা করম্না মায় পাক্লিবনো? ফী ষ্ট্রকচর কয়াম খেন্নবগে? লায়রবা মহৈরোয়শিংবু করম্না মপূং ফানা লাইরিক লাইশু তমহনবা ঙমগদৌরিবা? পূন্নমকসি লাম্থোক্তুনা লাইরিক খরা তমজহৌরে অদুবু থবক অমুক লৌরকপদদি শেল ময়াম অমা তিংনরে, শেল তিংদনা থবক ফংবা হায়বদু ঙসিদি ওইথোক্ত্রে। গ্রেদ ফোরগী থবক মচা অমগী ফাওবদা লুপা লাখ ৬তগী তাবা লৈত্রে। শেঙ্গা থুমজা হায়বসিমক খুন্নাইসিদা কেন্সরগী লায়নাগুম্না পাক শন্না শন্দোরক্লিবনি। করম্না থিংগনি? পাম্বৈ ইরৈমক লৈররোইদ্রা? কোরোনাগী লাইচৎ মরকসিদা মমল য়াল্ল-য়াল্লবা মীওইশিংগী পুন্সি মাঙখরে। পুবা থাংবা ঙমদ্রবা লায়েং পথাপ অমা ওইরক্লি। সধারন মীয়াম তৌফম খঙদ্রে, লায়েংনবা শেলসু লৈরকত্রে লোয়ননা চান্ন-থরুবা লৈশিল্লক্ত্রে, করম্না হিংখিগদগে হায়বা ꯔাহং কয়া লাক্লে, শিখিবনা হেন্না ফরে খন্দুনা আত্মা ঘাট (মরোমদোম) তৌদুনা শিজখিবগী পাউ মফম কয়াদগী তারক্লে। ঐখোয়গী লৈবাকশিংদসু শোয়দনা থোরক্লগনি চেকশিনহৌদ্রবদি।

পূন্নমক অসিগা লৈবাকসিদা হৌজিক চৎনরিবা মীখলগী সিষ্টম অমসুং মদুদগী শেল্লকপা লৈঙাক্লা হকথেংননা মরী লৈনৈ। য়ুগনা নৎত্রগা লাইনা শিনবা থৌশিল নত্তে। হৌজিক ফাওবা ঐখোয়না বৈজ্ঞানিক ওইবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা হান্নগী চৎনবী অমসুং থাজনবীদা উংদুনা লৈরি। মীওইবগী পুꯔারী অসিদি চহী লাখ কয়াগী ꯔারীনি, ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। ঙল্লিঙৈগী খুন্নাইদা প্রিমিটিভ সোসাইটি, নুংগী য়ুগকী মী হায়নবা শামরক ঙামরক ওইনা লৈরকখিবা মতমদগী ঙসি ফাওবদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। মদুদি মীনাই লোয়বা খুন্নাইগী চৎন-পথাপ (Slavery), লৌয়াম চাবা অমদি নিংথৌ পানবগী চৎন-পথাপ, কোলোনাইজ তৌদুনা লৈঙাকপগী চৎনবী, গনতন্ত্র (দেমোক্রেসি) গী ꯔাহন্থোক, মীয়াম্না খঙ্বা মীহুৎনা লৈঙাক পায়হনবগী চৎন-পথাপ পূন্নমকসি তপ্না তপ্না অমদি লেপ্পা নাইদনা হোংলকখিবা পুꯔারীগী তাঙ্ককশিংনি। প্রোসেস অসি ঐখোয়গী লৈবাক অসি-খক্কী নত্তে, মালেম পূম্বগী ওইননি। অহোংবা কয়াসি মতোমতা ওইরকখিবা নত্তে, মীয়ামগী পেন্দবগী খোল্লাউ অমদি লেপ্তুনা থেংনরকখিবগী মহয় ওইনা হোংলকখিবনি। শু নোল্লগা পোখোক পুথোরকপনা মীয়াম্না অদুগা মীওই খুজে াক খরতনা সম্পত্তিগী মপু ওইবগী চৎন-পথাপ অসি হোংহন্নবা থেংনবা তারি। মতাংসিদা মালেমগী অচৌবা থৌদোক অমা নীংশিংমিন্নসি। কুমজা ২০০৮দা অমেরিকাগী ন্যু য়োর্ক সহরদা থোকখিবা 'ꯔালষ্ট্রিত পায়শিল্লো" হায়বা মুভমেন্ট। লাইরিক হৈরবা থবক্তি ফংদ্রবা নহারোল লিশীং কয়ানা হৌরকখিবা ঈহৌ। মালেমগী শু নোল্লিবা মীয়ামগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৯৯ অদুগা শুপ্লতগী চাদা অমখক্কী মীওইনা মালেমগী অপূনবা শম্পত্তিগী মপু ওইহনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ" "We are 99%" "ঐখোয় চাম্মগী মনুংদা ৯৯% নি" হায়বা খোল্লাউ পুদুনা মালেমগী সহর ১৫০০ রোমদা শন্দোরকখি। ইন্দিয়াদসু মুম্বাই সহর ফাওবা ঈহৌ অসিদা শরুক য়াখি। ঈহৌসি লোইখিবা নৎত্রি, মওং অমা নৎত্রগা অমদা চথরিবনি। সোসল জষ্টিস, মান্নবা চাকথুং, মান্নবা অধিকার, থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবা, মীনা মীবু ব্যবহার তৌনবা অমদি মীওইবগী হক ঙাকপা হায়বা প্রিন্সিপল অসিদা ঐখোয়গী খুন্নাই পূন্না চাও-খৎমিন্নবগী খোঙজং অদুগী মথৌ তারিবনি। মালেমগী ঈহৌ কয়াসিগী শরুক অমনি ঐখোয়গী চাল্লাম খোঙচৎ। মরম অদুনা খোঙচৎসি মখা তানা চথখিগনি। Let us all continue our support to the Hunger Marchers Day. ●

**IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, MANIPUR**

Original **(Guardianship)** Suit No. 2 of 2021

Km. Konsam Kajal Devi
...... Petitioner
-Versus-
Km. Konsam Pujaluxmi Devi and another
...... Respondents

**/ NOTICE**

Whereas, The petitioner above named has filed a petition under Section 14 of Rights of Persons with Disabilities Act, 2016 praying for appointment of the Petitioner as Guardian of disabled/handicapped person namely Km. Konsam Lisha Devi, aged about 21 years, D/o (Late) K. Nando Singh and (Late) Konsam (O) Haorongbam Ibecha Devi, of Heingang Mayai Leikai, P.O. Mantripukhri and P.S. Heingang, District Imphal East, Manipur (a person with Hearing Impairment and Mute disability).

Notice is hereby given to all the interested persons in the above referred case to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit, or who shall be accompanied by some person, able to answer all such question on 06-09-2021 at 10.30 a.m. to file written statement,if any, failing which the matter will be heard and determined without further notice.

Sign and sealed by the order of this Court on this the 23rd day of August, 2021.

**Sd/-** Sheristadar,
District and Sessions Court, Imphal West
Manipur

HL-P/9852/26 & 27

**IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, MANIPUR**

Original **(Guardianship)** Suit No. 4 of 2021

Shri R.K. Tarunkumar Singh
...... Petitioner
-Versus-
Shri R.K. Somorjit Singh and another
...... Respondents

**/ NOTICE**

Whereas, The petitioner above named has filed a petition under Section 14 of Rights of Persons with Disabilities Act, 2016 praying for appointment of the petitioner as Guardian of Shri R.K. Sunderchand Singh, aged about 57 years, S/o (late) R.K. Mangisana Singh and (Late) R.K. (O) Taruni Devi., of Keishamthong Elangbam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur (a person with mental disability).

Notice is hereby given to all the interested persons in the above referred case to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit, or who shall be accompanied by some person, able to answer all such question on 10-09-2021 at 10.30 a.m. to file written statement,if any, failing which the matter will be heard and determined without further notice.

Sign and sealed by the order of this Court on this the 25th day of August, 2021.

**Sd/-** Sheristadar,
District and Sessions Court, Imphal West
Manipur

HL-P/9851/26 & 27

**** ADMISSIONS OPEN ****
FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22.
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES.
COURSES OFFERED:

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

CONTACT US : 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/3873/20 Aug. to 18 Sept

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

/ ADMISSION NOTICE/126
Dated, the 23rd August, 2021

No. MU/3-22/B.Ed-M.Ed./Aca/13: Online application forms are invited for admission into **Bachelor of Education ( B.Ed)** First semester for the session 2021-22.

**Eligibility:**

Candidate with at least 50% marks either in the Bachelor's degree and/or in the Master's degree in Sciences/Social Sciences/Humanities, Bachelor's in Engineering or Technology with specialization in Science and Mathematics with 55% or any other qualification equivalent hereto are eligible for admission to the programme. The relaxation in the qualifying marks in favour of reserved categories shall be as per the rules of Central Government.

Application can be submitted online at the Manipur University Website (www.manipuruniv.ac.in). An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC candidates and Rs.200/- for ST/SC candidates are to be paid online.

The University counter will not issue hard copy of the application forms and Prospectus. Offline submission of application form will not be acceptable in any case.

**Important Datelines:**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | 26 August, 2021 |
| Last date for Online Submission | 15 September,2021 |

Sd/- S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca

HL-B/7105/26

**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT**

**/ NOTIFICATION**
*Imphal, the 24th August, 2021.*

*No. 01/01(02)/2021-LA(Estt):* Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the following vacant posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.

1. **1(one) post of Reporter Grade-III:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 9300 + 34,800 and Grade pay of Rs. 4.200/- (Level-7 of ROP-2019) | 1) Graduate of any recognised University with 80 w.p.m. in English Shorthand and typing speed (English) 40 w.p.m. relaxable upto 35 w.p.m. for SC/ST and OBC candidates. 2) Candidate should qualify the recruitment examination to be conducted by the Manipur Legislative Assembly except in respect of reserved vacancies. 3) Education or other qualifications relaxable in respect of physicaly handicapped persons. 4) Diploma in Computer Applications. | i) Knowledge of English, Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

2. **1(one) post of Assistant Sound Technician:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 5,200 + 20,200/- and Grade Pay of Rs. 1,900/- (Level-3 of ROP-2019) | i) Class XII (passed). ii) Diploma in Electronic or Radio and Sound System from a recognised Institute. iii) Knowledge of electric fittings. | i) Knowledge of English Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

** URC- Un-reserved Category, RC- Reserved category.*

***Terms & Conditions:***

1. Application forms will be available at **the Banquet Hall, Manipur Legislative Assembly, Chingmeirong** on payment of ₹500/-(Rupees five hundred) only for unreserved/OBC candidates and ₹300/-(Rupees three hundred) only for SC/ST candidates from **02-09-2021 to 04-09-2021** and duly filled-in forms shall be submitted from **06-09-2021 to 08-09-2021** during office hours at the said venue. Admit Cards will be issued from **11-09-2021 to 14-09-2021** at the same venue during office hours.
2. The decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
3. The notification may be cancelled at any time without assigning any reason thereof as per decision of the authority.
4. The detailed information can be had from the office of the undersigned during the office hours.
5. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.
6. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department/ Organisation/ Institution to the extent of number of year(s) they have served on regular basis or contract/causal basis.

**Sd/- G. Tapankumar Sharma**
*Joint Secretary (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/7103/26,27,28